HUEIYEN LANPAO

নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ লোইশিনখ্রে

মণিপুরগী টিম্না গোল্ড ৪, শিলভর ৩, ব্রোঞ্জ মেদল ৫ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

NATIONAL PENCAK SILAT CHAMPIONSHIP 2017
Date : 18 To Aug 2017

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসন্না শিল্লগা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা পঞ্জাবকী অমৃটসরদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা জুনিয়র, সব জুনিয়র অমদি সেনিয়র (বোইজ এন্দ গার্লস/মেন এন্দ ৱিমেন) গী নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ঙরাং লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী পেনকাক সিলাট টিম্না গোল্ড মেদল ৪, শিলভর মেদল ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৫ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে। মণিপুর পেনকাক সিলাট টিমনা লৌখিবা গোল্ড মেদল ৫ অদুদি কেজি ৬০ গী নুপীগী সেনিয়রদা এ সর্জুবলানা গোল্ড ১, কেজি ৫০গী সেনিয়র নুপাগী কেটাগোরিদা ৱাই রোহিটনা গোল্ড ১, কেজি ৫৫গী সেনিয়র নুপাগী কেটাগোরিদা এল বোইনাওনা গোল্ড ১ অমসুং সেনিয়র রমেন'স গন্দা কেটাগোরিদা ঐচ কিষন অমসুং টি ঐচ জোনসন্না গোল্ড মেদল অমগা লৌখিবনি।

শিলভর মেদল অহুম অদুনা সেনিয়র বোইজগী কেজি ৫০গী কেটাগোরিদনা কে ঐচ কিষন্না শিলভর ১, কেজি ৫০গী সেনিয়র গার্লসকী কেটাগোরিদা ঐচ সুমিলানা শিলভর ১ অমসুং সেনিয়র বোইজগী কেজি ৬০গী কেটাগোরিদা এন জি কলম্বসনা শিলভর ১গা লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদল মঙা অদুনা কেজি ৪৫গী জুনিয়র বোইজদা এস লমজিংনা ব্রোঞ্জ মেদল ১, সেনিয়র গার্লসকী কেজি ৫০গী কেটাগোরিদা টি ঐচ রোনিবলানা ব্রোঞ্জ মেদল ১, সেনিয়র বোইজগী কেজি ৫০গী কেটাগোরিদা এন এদিসন্না ব্রোঞ্জ অমা, কেজি ৬০গী সেনিয়র বোইজগী কেটাগোরিদা ঐচ বিসান্না ব্রোঞ্জ অমা অমসুং কেজি ৬৫গী সেনিয়র বোইজগী কেটাগোরিদা পি ঐচ ওষ্ট্রেলিয়ানা ব্রোঞ্জ অমগা লৌখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহারাষ্ট্রনা গোল্ড ৬, শিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ লৌদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা গোল্ড ৫, শিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ লৌদুনা রন্নর্স-অপ টিম তাখি।

নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ অদুদা সী আর পি এফকী টিম য়াওরগা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৫ দগী লাকপা শান্নরোয় ৮০০ হেনবনা শরুক য়াখিবনি। মণিপুরগী টিমদা নুপামচা শান্নরোয় ২৩, নুপীমচা শান্নরোয় ২৩ অমসুং ওফিসল ৫ শরুক য়াখি। মণিপুরগী টিম অসি পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুম, হেদ কোচ লাইশ্রম শ্যামকুমার, কোচ ওইনা লাইশ্রম রঞ্জিৎ অমসুং এন জি নৱাং মীতৈ অমসুং এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা লাইশ্রম লেকিনা শরুক য়াখিবনি।

কুমজা ২০১৮ দা ইন্দোনেসিয়াগী জকর্টা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন কেম্পতা ত্রেনিং তৌনবগীদমক মণিপুরগী টিম অসিদগী শান্নরোয় তরুক্তগী তাদনা খল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়রি।

১৬শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

তরুকশুবা রাউন্দ ফাওবদা ককচীং পোপ্যুলর স্পোর্টিং ক্লবনা মাঙজিল থারি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শিল্লগা চথরিবা ১৬ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে পি এস সী ককচীংনা গোল ৱাই পি ও সোরাবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম নিপান্না শরুক য়ারগা ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ককচীং পোপ্যুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি এস সী) না মায় পাক্তুনা তরুকশুবা রাউন্দ লোইরকপা ফাওবদা টিম অসিনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা মাঙজিল থানা চৎলি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী কে পি এফ সী ককচীং অমসুং ৱাই পি ও সোরা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৬১শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিল কোমনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৭৬শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ২১ কে ঐচ বিকেন্নো গোল অমগসু চনখি। মেচ লোইবা ফাওবদা ৱাই পি ও সোরানা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু কে পি এস সী ককচীংনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

তোঙান তোঙানবা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা মেচ ৭/৭ শান্নগদবনি। হৌজিক ফাওবদা টিম খুদিংমক্না মেচ ৬/৬ শান্নখ্রে। তরুকশুবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেচশিং লোইবা ফাওবদা কে পি এস সী ককচীংনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা অহানবা পোজিসন্দা লৈরগা মাঙজিল থারি। য়ু বি এস এ মন্তক্না পোইন্ট ১৫ ফংদুনা অনীশুবা, ৱাই দি ও সোরানা পোইন্ট ১১ ফংদুনা অহুমশুবা, ৱাই পি ও সোরানা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মরিশুবা, এস দব্লিয়ু সী কৈরক্না পোইন্ট ৬ ফংদুনা ৫শুবা, এস এ ও ককচীংনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৬শুবা, আই ৱাই এ ককচীংনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা তরেৎশুবা অমসুং পি ৱাই সী কৈরক্না পোইন্ট ২খক ফংদুনা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থার্দ দিভিজন ফুটবোল হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা খুরখুল অৱাং লৈকায়গী গ্রাউন্দদা অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ তোঙান তোঙানবা টিম ১০না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবদগী এম ৱাই সী মহারাবি অমসুং ৱাই য়ু সী মৈত্রাও শান্নখি। মেচ হেক হৌবগী অহানবা মিনিটতা এম ৱাই সী মহারবিগী জর্সি নম্বর ১০ এম থোইনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। মেচ হেক হৌরকপদগী এম ৱাই সীনা মাঙজিল থারকখিবা গোল অদু হন্দোক্লনবা ৱাই য়ু সীনা কন্না হোৎনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা কুইশিল্লক্কবা মতম মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা ৱাই য়ু সী মৈত্রাওগী জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ নিটিসনা গোল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্কেলাইজ তৌদুনা থমখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫৩শুবা মিনিটতা ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ চীংলেন্না গোল অমগা অমুক চনখি। মেচ হৌরকপদা এম ৱাই সীনা মাঙজিল থাখিবা অদু অনীশুবা হাফতদি ৱাই য়ু সীনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এম ৱাই সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ৱাই য়ু সী মৈত্রাওনা এম ৱাই সী মহারাবিবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হৈখাম দিঙ্গো, সোসিএল ৱার্কর ঙাংবম ইবোয়াই অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টএস সনাতোন্বমা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টি ৱাই দি এ অমসুং এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি ৱাই দি এ তৌবুল অমসুং এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী টি ৱাই দি এ তৌবুল অমসুং এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগী ৫শুবা মিনিটতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী জর্সি নম্বর ১৭ মাইকেলনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১১শুবা মিনিটতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী জর্সি নম্বর ১১ সিংৱারচুংনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অনী অদু মেচকী ২৮ অমসুং ২৯শুবা মিনিটতা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১৯ পি পানমৈলালনা থংনা থংননা হন্দোরকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ২-২ দা লৈখি। অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেচ অদু গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা মেচ ওইনা ঙরাং শান্নখিবা এল এফ সী অমসুং এল ৱাই ভি ওগী ৱাংহৌবা মিনিট ১০গী মেচ অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌ অমসুং এল ৱাই ভি ও চোথে গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর শান্নগনি হায়রি।

এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

কে আই ৱাই সী মায় পাকখ্রে, নেসু অমসুং ঈ এস য়ু দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরিবা এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপাল মায় পাকখ্রে। এন ঈ এস য়ু (নেসু) খুরাই অমসুং ঈ এস য়ু (ৱাঙ্খৈ) দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবদগী কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপাল অমসুং ষ্টার ক্লব টোপ মোইরাং কম্পু শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৪ এম দি অশিফনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু ষ্টার ক্লবনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদদি মেচ অদু কে আই ৱাই সীনা লাকচরপ তৌনা শান্নবগী মমি তাখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ এম দি আলিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১২ সয়দ ৱাহাসনা মেচকী ৬৯ অমসুং ৭৬শুবা মিনিটতা গোল অনী অমসু চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক ষ্টার ক্লবনা ফনা কন্না হোৎনখি। মেচকী ৮০ প্লস ৱান চৎপা মিনিটতা এম দি অলিনা গোল অমগসু অমুক চন্দুনা মেচ অদু কে আই ৱাই সীনা গোল ৫-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ষ্টার ক্লবনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু কে আই ৱাই সীনা ষ্টার ক্লবপু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪০ তাবদগী নেসু খুরাই অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা ঈ এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২৫ থাঙ্গবারনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৬ খক কান্নরগা মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা নেসুগী জর্সি নম্বর ৭ কৃষ্ণকান্তনা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্কেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা অংথা এফ সী অমসুং এস দব্লিয়ু সী খোংমন শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদনা অবা ক্ষেত্রিগাও অমসুং ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পু শান্নগনি হায়রি।

এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া ফাইনেল চঙখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ২১: ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা চথরক্লিবা ১৬ শুবা ঈ টিলোতমা দেবী মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়ানা কে ৱাই সী কালিনগরবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরানা শরুক য়ারগা হৌখিবা জুলাই ২৬ তগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়া অমসুং কে ৱাই সী কালিনগর শান্নখি। অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদু এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়ানা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা কে ৱাই সী কালিনগরনা মায়কৈ খনখি।

মেচকী অপীবা মতমদা টিম অনীমকনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা কাং কাপ্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজাদা এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়ানা কে ৱাই সী কালিনগরবু পাঞ্জল ২০-৭ তা মায়থীবা পীরল্লগা এল ঈ সী টিম এ বাবুপড়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা ও মঙ্গি মীতৈনা জজ অমসুং কে শান্তি মীতৈনা স্কোরর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং ইচেল ক্লব দিবোং অমসুং এন এম কে নিংথেম্বম শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা মায় পাক্লকপা টিম অদুগা এল ঈ সী টিম এগা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৪ দা ফাইনেল শান্নগনি।

মণিপুর টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : ইম্ফালদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৬তগী ১৮ ফাওবা চথগদৌরিবা সব জুনিয়র গার্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী সব জুনিয়র গার্লস ফুটবোল টিম শেমখ্রে।

সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংগী মীং ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না লাউথোকখ্রে। মণিপুর সব জুনিয়র গার্লস ফুটবোল টিম অসিদা য়াওননবগীদমক খল্লে হায়না অম্ফানা লাউথোকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি গোল কিপর ওইনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল খুসি চনু, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী কে থোইবী দেবী অমসুং দি এস এ ককচীংগী এন সংবান্নবী দেবীনি। দিফেন্দর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা দি এস এ ককচীংগী য়ু পুস্পরানি দেবী, এস ঐচ মেকোলা দেবী, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী টি ঐচ রোসনি দেবী, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল সন্ধ্যারানি চনু, ৱাইঅঞ্জলি দেবী অমসুং আইঈ দি এফএগী টি ঐচ সন্ধ্যারানি দেবীনি। মিদফিল্ডর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী টি ঐচ ক্রিটিনা, এল ববিনা, এল বিবিচ, এন সনা, আইঈ দি এফ এগী টি ঐচ মার্টিনা, এন জি পিঙ্কু অমসুং দি এস এ ককচীংগী য়ুলক্সমিনি। ফোরৱার্দ ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা দি এস এ ককচীংগী এন প্রিয়াঙ্কা, আইদব্লিয়ু দি এফ এগী ঐচ সিলকি, এল বেবিদোলি অমসুং এস লিন্দা কোমনি। খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ২২গী অয়ুকপুং ৭.৩০ দা ইম্ফালগী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দ লাক্লগা টিম মেনেজর অমসুং কোচতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

এন বি কোলেজনা নুপাগী অমসুং দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ : এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা কমখ্যা পেমতোন কোলেজ হিয়াংথাংনা শিল্লগা কোলেজ অসিদা চথরকখিবা আর কে বোজেন্দ্রো সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন মেন'স এন্দ ৱিমেন টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ দা নুপাগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসতা এন বি কোলেজনা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসতা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসতা থৌবাল কোলেজনা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসতনা জি পি ৱিমেন কোলেজনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলদা এন বি কোলেজগী কে ঐচ পুন্সিবনা ২১-১২, ২১-১৭ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মেন'স দবলসদনা এন বি কোলেজগী কে ঐচ পুন্সিবা অমসুং সী ঐচ রঞ্জনগী জুরানা ২১-১৪, ২১-১৪ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। নুপীগী সিঙ্গলসতনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ৱাই ধনবতিনা ২১-৭, ২১-৫ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা নুপীগী দবলসতনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ৱাই ধনবতি অমসুং এন সোনিয়াগী জুরানা ২১-১৯, ২১-১৩ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

L.G.MOTORS
LOAN AVAILABLE
AREA COVER:
MANIPUR STATE
NO GUARANTOR
> ONE DAY DELIVER FOR 2 WHEELER
> 7-10 DAYS DELIVER FOR 4 WHEELER
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) PM
> 3(Three) DAYS DELIVER FOR 3 WHEELER
OFFICE HOUR:
10.30AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S.,
THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

HL-B/3953/8/7-17/8

APUNBA FITNESS CENTRE
FITNESS & CONSULTANCY
IMPHAL
7TH AFC STATE LEVEL TRANSFORMATION CHALLENGE
2017
BEFORE
AFTER
WILL START FROM 26TH AUG. TO 26TH NOV. 2017
Last Date of Form Submission on 24th Aug., 2017
Preliminary Round 26th Aug. 2017
Final Round 26th Nov. 2017
Grand Finale on 3RD DECEMBER, 2017 AT MSFDS
CHANGE YOUR BODY WITHIN
FOR A BETTER HEALTHY SOCIETY
BEFORE
AFTER
Both Male and Female
1ST PRIZE - 1,00,000/-
2ND PRIZE - 50,000/-
3RD PRIZE - 30,000/-
Form Available
Contact : 8974819593/
8794330734

HL-B/4074/12-26Aug.

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com